ꯅꯍꯥꯔꯣꯜꯒꯤ ꯊꯧꯗꯥꯡ

# নহারোলগী থৌদাং

A newspaper dedicated to the cause of Human Rights



ইম্ফাল মনুংদা মণিপুর পুলিসনা লালহৌবশিং ফাননবা চৎখিবা কোম্বিং ওপরেসন



কোংবা নান্দেবম লৈকাইদা পাঙথোকখিবা ৱাটর হায়জিনিক্কী ত্রেনিং প্রোগ্রাম লোয়শিনবগী থৌরমদা আর্টিসানশিংদা ত্রেনিং পীবগা লোইন্না মরী লৈনবশিংনা সার্টিফিকেট য়েন্থোকপা

১৯ শুমা চহি, ইশু ৭২ | www.naharolgithoudang.com | ইম্ফাল, আগষ্ট ১৯, ২০১৪ ইং, থবানগী ২৪ নি পানবা লৈবাকপোকপা | RNI 66117/96 Postal Regd. No. MNP 408 | মমল লুপা ৩.০০

# কবোকংনা ষ্টেটকী ইকোনোমিদা চাউনা মতেং পাঙলে

ঃ টি ঐচ অরুনকুমার

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, অগষ্ট ১৮ঃ* মতম অমদা খোঙবাল-লোকপান অমদি পুম্ফিশিংদা হৌবা কবোকংশিং কান্নদবা পেৎশক ওইনা মাংহন্নবা হোৎনরম্লবসু ঙসিদি কবোকং অসি ষ্টেট অসিগী শেনমিৎলোন্দা চাউনা মতেং পাঙবা ঙম্বা পোৎশক ওইরে। কৌনানা শারম্বা ফক য়াওনা ইমুং-মনুংগী অকে-অমৌগী পোৎলম অয়াম্বা হৌজিক্তি কবোকংনা মহুৎ শিনবা ঙম্লে হায়না ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট দি আই সিগী জেনরেল মেনেজর টি ঐচ অরুনকুমারনা হায়খ্রে।

ব্রাফমসি ঙসি নোর্থ-ইষ্টর্ন দিভলপমেন্ট ফাইনান্স কোর্পোরেসন লিমিটেদ (নেদফি) গী মখাদা ইরৈমা ব্রুমেন্স ৱেলফেয়র এসোসিয়িসন কোংবা নান্দেবম লৈকাইনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা নুমিৎ ১৫ নিগী ওইবা লুম বেজ প্রদক্ট ওফ ৱাটর হায়জিন ক্রাফটকী মতাংদা পাঙথোকপা ত্রেনিং লোইশিনবগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা ফোংদোকখিবনি। পুম্না ত্রেনর ২৫ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা লোইশিনবগী থৌরমদুদা অরুনকুমারনা মখা তানা হায়, কবোকং হায়বসি হৌজিক্কী মতমসিদা কান্নবা পোৎশক অমা ওইরে। অসিগুম্বা পোৎশক্না শাবা অরু-অনানগী পোৎলম কয়া ভারত অমসুং মালেমগী লৈবাক কয়ানা পাম্নবা হেনগৎলক্লি। লৈবাক অমগা অতোপ্পা লৈবাক অমগা মফম মতমগী মতুং ইন্না খেন্নজরবসু শিজিন্নবগী মওংদি অমত্তনি। পোৎ হায়বসি ক্বালিটি কন্ট্রোল তৌনা শারবদি কষ্টমরগী মশিংদি হেনগৎলক্কনি হায়খি।

থৌরমদুগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা মণিপুর ইন্দষ্ট্রিস দিভলপমেন্ট কাউন্সিলগী চেয়রমেন পি লোকেননা হায়খিবদা নান্দেবম লৈকাইসি মমাংঙৈ মতমদগী কৌনানা শাবা ফকশাবদা মমিং চৎপা লৈকাইনি। হৌজিক্স কবোকংনা শাবা পোৎথোক কয়াদা মমিং চৎলি। কবোকংসি অহানবদদি শিজিন্নফম খঙলমদবদগী ঙসিদি কান্নদ্রবা পোৎতগী সনা লুপাদা ওহোক্রে হায়খি।

ত্রেনিং অসিগী মতাংদা ইরৈমা ব্রুমেন্স ৱেলফেয়র এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা ত্রেনিং অসিগী ইন্সট্রক্টর অখোম রাসোনা হায়, নেদফিনা ২০১২ তগী কবোকংগী প্রোজেক্টশিং পায়দুনা লাক্লি। মণিপুরদা হৌজিক পুথোক্লিবা পোৎথোকশিং অসি থাইলেন্দ টেক্নোলোজিদা বেজ তৌবনি হায়রদুনা চহী খুদিংগী কবোকংগী মতাংদা থাইলেন্দগী এক্সপার্টশিংনা ত্রেনিং পীরি। নেদফিগী গুৱাহাটিদা লৈবা হেদ ওফিসতা পাঙথোকপা ত্রেনিং অদুদা মণিপুরগী ত্রেনি ২/২ থাই। কবোকংগী লুম বেজ প্রদক্টশিং অসি মশক ফজবগী মথক্তা সাউথ ইষ্ট এসিয়ানগী লৈবাকশিংনা য়াম্না পাম্না শিজিন্নরি। আর্টিসানশিংনা মশা-মশাগী হৈথোই শিংথোইবদু উৎথোক্তুনা মণিপুরগী খুৎশা হৈবগী পোৎথোক মালেমগী মীয়ামদা খঙহনসি। লোইশিনবগী থৌরমদুদা অর্টিসান ২৫ দা সার্টিফিকেটশিং য়েন্থোকখি।